# মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা অবা খেত্রিগাও অমদি নেসু খুরাই মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ১০ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এঠলেটিক ব্রাদরস এসোসিয়েসন ( অবা) খেত্রিগাও অমদি নোঠ ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( নেসু) খুরাই মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা অবা খেত্রিগাও অমদি এন আই ভি এস ও কৈবীনা শান্নখিবা মেটচতা অবা কেত্রিগাওনা এন আই ভি এস ও কৈবীবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিং শিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা অবা খেত্রিগাওনা অচৌবা থজবা অমাগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা চাঙ নাইনা এটেক চথরক্তুনা এন আই ভি এস ও কৈবীগী দিফেন্দরশিংবু কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহন্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী অবা খেত্রিগাওনা মেটচকী মিনট ৬২ চৎপদা ফঙখিবা কোন্নর কিকতা টিমগী জর্সি নম্বর ২২ নাৱাসনা মরেপ ৱাঙনা চোঙখৎল্লগা মকোকনা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা অবা খেত্রিগাওবু মায় পাকপগী লম্বীদা পূশিনবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা এন আই ভি এস ওনা কাউন্টর এটেকতা গোল হন্দোকপা য়াবগী খূদোংচাবা ফঙখি অদুবু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি প্রেমজিৎ, কে অজিৎ কুমার, এল রাজা অমদি ৱাই ইঙোবীনা মথং শীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা নেসু খুরাই অমদি এস এস সি পোরোম্পাৎনা শান্নখিবা মেটচতা নেসু খুরাইনা এস এস সি পোরোম্পাৎবু গোল ৬–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৯ চৎপদা এস এস সি পোরোমপাৎগী জর্সি নম্বর ১১ সনাজাওবনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৩৯ দা নেসুগী জর্সি নম্বর ৯ সোমোকান্তনা গোল হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবাং মিনট ৪২ চৎপদা নেসুগী জর্সি নম্বর ১২ ষ্টেলোননা পেনালটিদা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারকখি। গোল অসিনা টিম অসিদা অহেনবা থৌনা হাপকৎল্লদুনা মিনট ৬০ চৎপদা টিম অসিমক্কী জর্সি নম্বর ১৫ টি ঐচ লেলিননা অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–১ দা লৈখি। অদুবু অতেনবা মিনটতা এস এস সি পোরোম্পাৎনা চপ চাবা পাওখুম পীরক্তুনা মিনট ৬৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৪ বিজেননা গোল অমা চন্দুনা ৩–২ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্নবা হোৎন্নখি। অদুবু নেসু খুরাইনা মেটচকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা লাকশিন্না শান্নদুনা মখা তানা অহেনবা গোল ৩ হাপচিনবা ঙমখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ স্যামসননা মিনট ৫৯, জর্সি নম্বর ১১ দেবিদনা মিনট ৭৫ অমদি জর্সি নম্বর ৫ প্রেমজিৎনা মিনট ৭৭ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা এস এস সি পোরোম্পাৎকী জর্সি নম্বর ২৩ সজিৎ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ লাকিমুদিনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাও শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এম ইনাও, এল রোপেন্দ্র, কে ব্রোজেন অমদি আই ইবুংঙোনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন (য়ু পি এস এ) অমদি পুখাও রোদ য়ুঠ এসোসিয়েসন ( পি আর ৱাই এ) খুন্দ্রাকপমনা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খৈ অমদি য়ুনাইটেদ ফুটবোল এসোসিয়েসন ( য়ু এস এ) খুরাইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# কিশোকুমার নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা জে এ ককচিং অমদি এ আই এফ এ দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা চথরিবা ১৭ শুবা কিশোকুমার নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিং অমদি ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিয়েসন ( এ আই এফ এ) ইরেংবন্দ গোল ২–২ দ্রো চৎত্তুনা পোইন্টে য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি জে এ ককচিংনা গোল ২–১ দা মাঙজিল থাখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতা এ আই এফ এনা চপ চানা পাওখুম পীরক্তুনা গোল হন্দাকক্তুনা ২–২ দা লৈদুনা মেটচ অসি দ্রো চৎখি।

চথরিবা লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ অসি হৌরকপগী মিনট ৪ চৎপদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ বিবিতোননা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্তরিবা এ আই এফ এ ইরেংবন্দনা গোল হন্দাক্নবা হোৎন্নক্তুনা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংবু অমুক লাকশিনক্তুনা মিনট ৩৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ৬ এল দিঙ্কুনা গোল হন্দোখ্রবসু মিনট ৩ কান্নরগা ৩৯ দা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ বিবিতোননা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটতা এ আই এফ এ ইরেংবন্দনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নরকখিবদগী মিনট ৪৩ চৎপদা এল দিঙ্কুনা মহাক্কী অমদি এ আই এফ এগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–২ দা মান্ন লৈন্নখি। মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবা টিম অনীনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী জর্সি নম্বর ১৪ ঐচ ওলিভরদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগী য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এস লিতনবলা,টি এল অঙ্খুল, এল দিরিক অমদি চিমচিমনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৯ গী নুংথিল পুং ১.১৫ দা এল ৱাই এ ৱাঙ্গু অমদি এস আর দি সি ককচিংনা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা এস দব্লিউ সি ৱাইখোং অমদি দি ৱাই এ না অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# মণিপুরগী য়ুনিক মোদেল একাদেমি হৈঙাং সুব্রোতোগী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ ন্যু দিল্লিদা চথরিবা ৬০ শুবা ইন্টরনেসনেল সুব্রোতো কপ ২০১৯গী চহী ১৪ মখা নুপামচাগীদা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা য়ুনিক মোদেল একাদেমি হৈঙাং, ইম্ফাল ইষ্ট ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা অফগানিষ্টানবু কিক ফোম পেনালটি মাক্তা গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। মণিপুরগী পেনালটিগী গোলশিং অদু এস অনারোই, কে সনাথোই, এস ঐচ মলেমঙানবা অমদি এস অবিনাসনা চনখি।

ফাইনেলদা মিজোরামগী সাইদোন সেকেন্দরী স্কুল কোলাসিপকা থা অসিগী ২৯ গী নুংথিল পুং ৪ তাবদা অম্বেকর ষ্টেনিয়মদা শান্নগনি।

# দি এফ এ থৌবালগী সেকেন্দ অমসুং থার্ড দিভিজন লীগ হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী সেকেন্দ অমসুং থার্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ সেপ্টেম্বর ৮ দগী তোঙান– তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অসিদা এফিলেট তৌরবা ইন্টর ক্লব প্লেয়র ট্রান্সফরনা সেপ্টেম্বর ১ দগী ৫ ফাওবা এসোসিয়েসন অসিদগী ওফিসতা নুংত্তিগী নুংথিল পুং ৩ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা ফি লুপা ১৫০০ গা লোয়ননা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

ক্লবগী রিন্যুএল ফি, টুর্নামেন্ট ইন্ট্রি ফি না লুপা লিশিং ২/২ ওইগনি।

থার্ড দিভিজনদা শরুক য়াগদবা ফ্রেস এপ্লিক্সেন ফিনা লুপা লিশিং ৩৫০০ নি। শরুক য়াগদবা ক্লবশিংগী মেনেজজর মিটিংনা সেপ্টেম্বর ৬ কী অয়ুক পুং ৮ তাবদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি।

মরি লৈন্নবা চে–চাং খূদিংমক দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অসিগী ওফিস মতম নুংথিল পুং ২ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৌরবা য়াগনি হায়রি।

# পি সি ৱাংজিং, ৱাই এস দি সি লম্বোইথোং, ই এফ সি মায় পাকখ্রে, দব্লিউ এফ সি অমদি এন সি য়ু দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ উয়াল ওরিন্টেল ক্লব ( য়ু সি সি) উয়ালনা শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা টিম ১৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরকপা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অন্দর–১৫ সভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি সি ৱাংজিং, ৱাই এস দি সি লম্বোইথোং অমদি ই এফ সি ৱাংজিং মায় পাকখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা দব্লিউ এফ সি ৱাংজিং অমদি এন সি য়ু হৈরুথোং দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ২১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা পি সি ৱাংজিং অমদি দব্লিউ এ এফ সি ৱাঙবননা শান্নখিবা মেটচতা পি সিনা দব্লিউ এ এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পি সি ৱাংজিংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩ চৎপদপা জর্সি নম্বর ৬ রাজবোই, জর্সি নম্বর ৫ লাঙম্বানা মিনট ৬ অদুগা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ২২ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ সনাথোইনা চনখি। মায়থিরবা দব্লিউ এ এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ অমরজিৎনা মিনট ৯ চৎপদা চনখি।

২২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা টি এফ সি থোকচোম অমদি ৱাই এস দি সি লম্বোইথোংনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এস দি সিনা টি এফ সিবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই এস দি সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ য়ু রোহিৎনা মিনট ১১, ২৯, জর্সি নম্বর ১২ কে রাণজিৎনা মিনট ১৭, জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ কিসননা মিনট ১৯ অমদি জর্সি নম্বর ২ বাশিনা মিনট ২৭ দা চনখি। মায়থিরবা টি এফ সিগী গোল ২ অদুনা পৃথ্রিবীরাজ অমদি মনিমতুমনা চনখি।

২৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা ই এফ সি ৱাংজিংনা য়ু ৱাই এ এলবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই এফ সি ৱাংজিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ হেমলেটনা মিনট ৫ অদুগা জর্সি নম্বর ৭ জোন্সননা মিনট ১৫, ১৬, ৪০ দা চনখি। মায়থিরবা য়ু ৱাই এ এলগী গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৫ লাঙম্বনা চনখি।

২৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দা দব্লিউ এফ সি ৱাংজিং অমদি এন সি য়ু হৈরুথোংনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। এন সি য়ু হৈরুথোংগী গোল অদুনা প্রেমচন্দ্রনা চনখি অদুগা দব্লিউ এফ সিগী গোল অদুনা ধামেননা চনখি।

# ৱার্ল্ড মার্সিয়েল আর্টস ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারুন্নবা থাঙ–তাগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৩০ দগী সেপ্টেম্বর ৬ ফাওবা রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী চুঙজু সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চুঙজু ৱার্ল্ড মার্সিয়েল আর্টস ফেষ্টিভেল অমসুং ৫ শুবা ইন্টরনেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুন্নবা হুয়েন লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

টিম অসিদা শরুক য়ারিবা ওফিসিয়েল অমসুং শান্নরোশিং অদুদি– ঐচ প্রেমকুমার সিংহ, ঐচ কিরনকুমার সিংহ, ৱাই দিঞ্জেন সিংহ, ও নেতাজিৎ সিংহ, ৱাই খাগেম্বা, এস ঐচ শাগৈঙানবা মৈতৈ, এন বিদিয়ানন্দা অঙোম, নিংথৌজম মাইগৈ, অনন্দ নিংথৌজম, খেলজিৎ সাইখোম, লৈশেম্বা য়েঙ্খোমচা, কে এস ঐচ লনমঙাং, এল পারি অমদি ৱাই রাকেসনি।

টিম অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা থাঙ–তা মশান্নগী দিমোন্সট্রেসন উৎক্কনি লোয়ননা ৱার্ল্ড থাঙ–তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমারনা ওগষ্ট ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা দব্লিউ ও এম এ য়ু গী ১৮ শুবা এন্যুল জেনরেল মিটিংদসু শরুক য়াগনি।

# বিষ্ণুপুরগী সুপর দিভিজন লীগ হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ১৫ দগী মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা ৩ শুবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ হৌরগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসেসিয়েসন অসিদা এফিলেট তৌরবা য়ুনিটশিংনা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা রিনুএল ফি লুপা লিশিং ৩ শেংদোক্লবসু খঙহল্লক্লি।শরুক য়াগদবা য়ুনিটশিংগী শান্নরোইশিংনা ইন্ট্রি ফোম পীশিন্দ্রিঙৈ মমাঙদা সেন্ট্রেল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম ( সি আর এস) তৌগদবনি হায়রি।

সেন্ট্রেল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম ( সি আর এস) তৌহৌদবা শান্নরোইশিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন অসিনা শীনবা লীগশিংদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সোলদোং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা টামপি অমদি এস এস বি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ সোলদোং য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা চান্দেল খৃষ্ট্রয়ন মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৯ দগী টিম ২১ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা সোলদোং য়ুনাইটেদ ৯ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টামপি এফ সি অমদি এস এস বি মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা চান্দেল খৃষ্টান (এ) অমদি টামপি এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা টামপি এফ সিনা চান্দেল খৃষ্টান (এ)বু কিক ফোম পেনলটি মাকতা গোল ৬–৫ তা মায়থিবা পীখি।

টামপি এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ থুমপানা মিনট ৬৬, জর্সি নম্বর ১২ থুমনিনা মিনট ৬৯ চৎপদা চনখি অদুগা পেনালটিগী গোলশিং অদুনা থুমপা, থুমথা, ফমোস, নোহিরিন অমদি থানিৱারনা চনখি। অদুগা চান্দেল খৃষ্টান (এ)গী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ থারশিংনা মিনট ১৯, জর্সি নম্বর ৩ বিকাননা মিনট ৪৭ চৎপদা চনখি। পেনালটিগী গোলশিং অদুনা জেমস, কোশেম, চাঙম অমদি রুথৌনা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা এস এস বিনা চিঙ্খু এফ সিবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৮–৬ তা মায়থিবা পীখি।

এস এস বিগী গোলশিং অদু দেবিদনা মিনট ৪, নেপোলিয়ানা মিনট ৫৫,৬৮, লেনমিনগৌনা মিনট ৬৪দা চনখি। অদুগা পেনালটিগী গোলশিং অদুনা জিনথাঙ, ধৌগিগন অমদি সাইগৌলেননা চনখি। মায়থিরবা চিঙ্খু এফ সিগী গোলশিং অদুনা থাঙকলানা মিনট ৩, চানানা মিনট ৬, বিনোসোনা মিনট ২৩, অঙ্কুনা মিনট ৪৮ অদুগা পেনালটিগী গোলশিং অদুনা বেষ্ট অমদি বিনিলনা চনখি।


# খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাক থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তগী টিম ১৪ না গ্রুপ– ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থাংমৈবন্দ লাইজিং ইনিংথৌ শঙলেনদা ৫ শুবা ৱাইখোম গম্ভিনী লৈমা নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬২ মথক্কী লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রনা শিংজমৈ কেন্দ্র (বি)বু পাঞ্জল ১৯–১৬ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ স্কোর তৌখি।

অদুগা মায়থিরবা শিংজমৈ কেন্দ্র (বি) কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ স্কোর তৌখি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com